"আশা ময়াম অমা, লম্বোইরুরনি হায়দুনা,
লমজেল থারুরগা, কিদুনা অমুক হঞ্জিল্লকই।
- *রতন থিয়াম (মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী)*

## পাউজেল চেবাং

—এম নিলকুমারী

হায়নহৌই :
ঙসিগী পাউজেল চে য়ৌরক্লবরা?
শিংথাবতনা ৱাৎলগদবা
পল্লুবতনা শোখরগদবা
মহাক্তুরা তম্ফম শঙ
লাইশঙ মন্দিরনি খল্লসিরা?
মতম অমগী মমিংদা কৌরম্বরা 'ফিঙাং লান্মী'
সাগরদগীসু মহাসাগর
পুথোক-পুশিল্লি ৱাহন্থোক কয়াগী।
ফোঙদোকফমনি অৱা নুংঙাই পূম্বগী লম্বী পরিংনি।
হে পাউজেল পুবা পাউচে।
নুংশিরুই নীংশিংলুই
মহাক্কীদমক থৌবাংলিবা মহাক্তু।
অহিং-নুংথিল খায়খিদে
অমম্বা অহিংদগী নিল্লিবনি থৌবুরেন।
মীওই কয়া চেনশিল্লকখি
নহাক্কী নপাউ য়েন্থোক্কদবগী
অনকপা অরাপ্পা তুংওইনৈ;
মীওই মীশক খনফদে,
অচুম্বা ফজবা লমচত্তুদনি মহাকপু নুংশিরিবা
থম্মোয় শেংবদুতনি পামজরিবা।
নহাক্কী নশাইগোন্দা কৌশিল্লিবা
লাইশঙনি মন্দিরনি
ঙসিগী, হয়েংগী, মথংগী
চোকথবা নাইদ্রবা
পাউথাংগী পাউথাংনি
অৱা নুংঙাই কয়াগী মপাউনি।
নহাক্কী লমায়নুংদা য়েক্লিবা
অনৌবা তমফমশঙনি
ফুমদুনা থল্লম্বা পূক্লিংগী ৱাখলগী
চিরোন-খারোন কয়াগী
ঙসিগী পাউজেল হয়েংগী পাউতাক।

## তৎখ্রবা তেলঙ্গা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

তৎখ্রবা তেলঙ্গা
কদাইদনো
নঙনা তারুগদবা,
উতোন্দরা, ৱাতোন্দরা
নৎত্রগা
অহাঙবা লমহাঙদরা।
ঐগী তৎখ্রবা তেলঙ্গা
কৈদনো নঙনা তারুগদবা
ৱাংনদি থাগৎখিবনি,
আশা কয়াগা লোয়নরদুনা।
ৱাখলগী ঈপাক থকসিদা
অদুবু,
তৎখ্রে তেলঙ্গা
ঐগী আশাগী তেলঙ্গা
ময়াগী সংসার অসিগী
পাল্লবা ঈপাক অসিদা
লুপখ্রে আশাগী
হিনাওগা লোয়নরদুনা।

## লিশীং চৎপী

—পুয়াম অচৌ খুমনচা

লিশীং চৎপী মঙানা য়েনবদা
১০০০ ÷ ৫ = ২০০ থুংই
মসিনি নঙগী চহী অমগী মমল;
নঙনা য়াম্মে খঞ্জরিবা অয়োনমল
ইকায়দ্রা! অঙাং অমগী নোংমগী খরচ।
য়োন্থোকখ্রবনিনা মপুনা
শীজিন্ননীংবা মওংদা মপুনা
নিংদোল পোল্লুনু ৱাকৎলুনু।
চোপ চোপ চোপ্পী নঙ ঐ মা;
গ্যান তাবা গ্যানেশ্বর
নচিন্না অমা নখূৎনা অমা।
খল্লুনে কোকলৈবা নঙবু
চুম্মীরা লাল্লিরা নঙবু?
লিশীং চৎপীদো মন্ত্রনি
মীসুম লাং থাল্লিবা নঙবু
১০০০ ÷ ৫ = ২০০
মীকপ থোক্লো কৈদৌগে!

## নীংতম্বা

—হুইরেম চমপ্রামনি

ঈখেং তানা লান্থেংনা
অমগা অমগা হাৎতোক্লা
নীংতম্বা পুন্সি ফংনবা
নীংতম ফিরাল পাইনবা
ঙসি হোৎনরি কনানা।
থৱায় থাবা পাম্মুদা
লান্থেংনরি, তান্নরি অকনবা।
অদুবু করম্বা লম্বী
তাল্লিবা নীংতম্বা মখোয়না।
পীগদবা মীশক্লা কনা
লৌগদবা মীশক্লা করম্বা।
অমরগী পুন্সিনা কনাবু
ফংলগা নীংতম্বা মখোয়না
নোক্কদবনা কনানো মদুগী
কপহৌগদৌবা মীশক্লা করম্বা।
মথন্তা লৈরম্বা মফম
কনানা করম্না ওইরিবা।
শিরা মতুং নীংতম্বা
কন্না কন্না নোক্কনি।
হিংলিঙৈ ঙৈহাক নোকমিন্নবা
নৎত্রা মসিবু অচুম্বা
ওইরোইদ্রা মসিবু নীংতম্বা।

## লৈরমগনি লৈরম্লোই খঙদবা

—রাজকুমারি মীনা

থৱায়, থৱায় - করিনো হায়ু।
নহাক্কী অপাম্বা, নহাক্কী অনীংবা
নঙগী পুন্সি, নহাক্কী পন্থুং!
হায়ু হায়রম্মু করিনো, তাইবঙ মপু ওইরিবা।
তাইবঙ মীওইবসে মী ওইদ্রে
চৎহৈদবা শাজৎ-লিচৎ চৎনরক্লে।
মসিবু লাল্লদ্রা, মসিবু চুল্লোইদ্রা?
হায়ু হায়রম্মু করিনো, হে অঙম্বা।
অঙম্বে পাঙ্গল উৎলিব্রা?
ঐ মঙাইরে হায়দুনা, নৎত্রগা -
করম্বা মপুগী লীলানো?
হায়ু হায়রম্মু করিনো, হে অথোইবা।
নহাকপু পাল্লব্রা থৌদোকশিংসে
নঙতগী নখূৎমক্লা ওইহল্লিব্রা?
পূম্নমক্কী অথোইবনি হায়দুনা
হে তাইবঙ মপু ওইরিবা ও!

## ঐগী পলেম নুংশিবী

—ডো. অকোইজম ইবোহল

থাবুম তরা নাউপুবিদুনা
তাইবঙ ফাওহনবীরকখি নহাক্লা
নহাক্কী খোল্লাং ঈরিক্লা
চীন্দম্বা চিঙ্গাক ওইদুনা
অঙাং নাৱা পুন্সিদো
চাউজরকখিবনি নতম্বাক ননমদা;
পুন্সিগী অঙনবা অয়ূক্তা
পন্থৌ কয়ানা মৈশালক্তা
খুদাং পিফম কংদনা
শারেপ কাংদোং ফাননবা
নাউয়োক নাউকোনবীরকখি ঐবু
ইতু তুবুম নাম্মফাও তেকহন্দনা;
মতম লৈবা খিবিক্তা
মীথোই মীহেন্নবা হায়দুনা
কুপশেন শেন্নবীরকপনি ঐহাকপু
অৱাবা কোঙ্গায় খাওদুনা,
ঐনা লানঙম ফিরাল থেৎলকপদা
কয়াগী মতিক হরাউজখিবা নহাক্লা;
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
পুনশিনখি চেৎনা পুন্সি লৈপুন্দা
মচাগা মমৌগা উজবদা
নুংঙাইবগী পনখৈ লৈখিদবনি
ঐগী মীৎমাঙমক্তদা ফল্লদুনা
মোমোন মোমোন নোকচখিবদো;
শিনফমগী তঙাইফদবা লৈবনা
তুংওইনরল্লগা চৎখি ইমাবু
লেল্লকখি চহী লিশাং শিৎনা
মীরমদুদা থাপ্পা ইমাদগী
নোংমতসু হংলবা ঙমখিদে
অৱা-নুংঙাই ৱারী মহাক্কী;
নোংমদি য়ূমদা থোল্লকপদা
ঐগী ইমা লাইরবীদো
কপ্লাক কুরু শুংলল্লে
লৈয়েঙ পুম্বসু ফাজিল্লল্লে
মমীৎনা অমুক্তং পেন্না য়েংজরকখি
মপি পিরাং ঈরা চেল্লদুনা;
তৌরাং ফক্তা ওল্লক্লে
হেদো নাহে চল্লক্লে
মমীৎ চেজেৎ উইশিনখ্রে
মচা ঐনা কৌজবদু তানীংদ্রমাল্লে
থাদোক্তুনা চৎখ্রে মতম চূপ্পগী
ঐগী পলেম ইমা নুংশিবীদো।

## শক্তি

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

উচেক্লা হিংলিঙৈদা
চাই ককচেংবু
শিবা মতমদা উচেক্লা
চাই অমুক ককচেংনা।
উ অমখক্তনা শাবা য়াই
মৈখেৎ মচৈ মিলিয়ন অমা।
অদুবু উ মিলিয়ন অমবু
চাকহনবা ঙম্মী
মৈখেৎ মরু অমখক্তনা।
ফীভম্না হেক্তা হোংহনবা য়াই
মতম অমদা হেক্তা।
অদুনা পীগনু চৈনা কনামত্তদা
শক্তি য়াম্না লৈবা য়াই নঙনা ঙসি
অদুবু মতমনদি হেল্লি
শক্তি লৈবা নঙোন্দগী।

## অমোৎ অকায়

—নরেশ লাইময়ূম

য়ূমদগী থোল্লকপা
অমোৎপা ফত্ত-হৌদি
মশাগীতা খনবা মীওইবা
হৈশিংবা শাবা ঐ মঙাইরে খঞ্জবা
ময়োম ময়োম পুথোক্তুনা থল্লিবা
মীরক নারক য়েংদুনা
অশোংবা লমহাং তুহাংদা
নুমিদাং কার তোংলগা লংথোক্লম্বা
কনাসু উররোই খন্দুনা
লম্বী-সরক কাচিন্দা
ইশাতা নাল্লগা লোইরে য়েংবা
চাওখৎপদি মানবা মীওইবা
অৱাইবা লৈতেংনা নাপল কান্নরিবা
তুরেলদা তাউথরকপা য়াল্লবা বোট্টল
ঈথৈ নালা মপৈ মপৈ ফুনজিল্লকপা
পাৎ-পুখ্রি অমোৎপনা পিক থল্লে
মসিনা ওইহল্লকপনি অনৌবা লায়না
হোংলক্কনি লৈবাক লৈহাওসু
কায়রক্কনি খল নোংজু নুংশা
মাঙখিনি ইরোলনুংগী জিব-পানবসু
হু চেল্লক্কনি নোংমদি লাইজ ঈশিংসু
ফংলক্লোই খৌরাংলবসু থকপা
থাদোক্লসি ওইজবা ইশাগী
ওইহনসি অরুবা ঈচেল
লেপ্পসি হুন্দোকপা মফম চাদনা
কলহৌসি মহৌশা লাইরেম্বী।

## মতম মতমগী ৱাখল

# সরত সলামগী শৈরেংদা 'সভেন্টিফোর হাফ'





মীওইবশিংগী মরক্তা হায়নবা, খঙনবা ৱাহৈ, মশীং খরা লৈরকই। অয়াম্বনা খঙনরিবা চিনবুংদা হায়নরিবসি 'ফোর ট্বেন্টি, চার চৌবিস' (৪২০) হায়বসি অমনি । অফবা ৱাহৈ নত্তে। তৌঙম্বা, ওইদবা ঙাঙবা, নমথাক্কী লমদা হৈশিংবা মীওইদা শীজিন্নৈ। মশীং ৪২০ অসি ওইরকখিবগী ৱারী ৱাখোং লৈরমগনি। মখা তারকপদা অমুক 'এপোল্লো এলেবেন' হায়নবা অমসু লৈ। মসি অহানবা থাগী লৈমায়দা খোংদাখিবা এস্ত্রোনোট খরবু খঙনৈ । 'জর্সি নম্বর তারা' হায়রগদি মমিং লৈরবা শান্নরোই পেলে, ফুটবোল্লর মেসি, মারাদোনানচিংবগী মিং পন্নৈ। মখোয়না শান্নবদা লিৎখিবা ফুরিৎতা থাবা নম্বরনি। মমল তাংনা লৈনৈ । 'হজার চৌরাসিকী মা', লীশিং অমা শুপ্পা মরীফুমরী (১০৮৪) গী মমা হায়রগা, বংলা সাহিত্যগী মমিং লৈখিবা অইবী মহাস্বেতাগী নোভেল লাইরিক অদুবু খঙনৈ। ফিল্ম ওইনসু পুথোক্তুনা এৱার্দ ফংখি। অতোপ্পা বঙ্গালিশিংগী ওইনা 'সাড়ে চুয়াত্তর' (৭৪.৫০) কৌবা ফিল্ম লৈখি । মমিং লৈখিবা ১৯৫৩ অদুৱাইগী ফাগীদা য়ূম্ফম ওইবা ফিলম্নি । টুলসি চক্রবর্ত্তি, উতম অমদি সুসিত্রাসেন্না মরুওইবা শক্তম লাংখি। 'চেগী ৱাইনু লীংশিং অমা' (১,০০০ পেপর ক্রেন) হায়রগনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা অমেরিকানা জপানদা এটোম বোম থাদবদা, বোমগী চৈথেংনা পুন্সি লোমখিবী সাদাকো সাসাকি কৌবী মশাগী চহী ১২খক্তংদা ঙাইখিবী নুপী মচা অমগী থৌদোক ৱারী নীংশিংঙি। ঐখোয়গী লমদমসিগী ৱারীদা ওইরগনা, লাইবুংথৌ মাপল লাইনুরা তারেৎ, য়েক সল্লাই তরেৎ,মপোক তরেৎ, ইপা ইপুগী অহুমলক হায়নৈ । মসি নত্তবা থাশিং অমদি কুমশীংদা থোকখিবা চিনবুংদা ঙাঙনরিবা শোন্নরিবা মশীং কয়া লৈরি। মশীংশিং অসি ওইরকখিবগী মীংথোন, থৌদোক ৱারী লোইনমক লৈনরকখিবা ঙাক্তনি।

মতৌ অসুম্না সরত সলামনা ইবা শৈরেং লাইরিক "সভেন্টিফোর হাফ" (৭৪.৫০) মিংথোনবা লাইরিক অমা হন্দক নভেম্বর ৩,২০২০ লৈপাকপোকপা নুমিৎতা অতোপ্পা শৈরেং লাইরিক খরগা থারগা পূন্না লাইরিক মঙা ফোংখি। লৈপাকপোকপা নুমিৎসি মহী ময়াই কল্লি হায়নৈ। কনাগুম্বনা লৈপাক পোকপা নুমিৎতা থবক তৌরবদি লূম থায়,পক্লদে হায়দুনা থবক পাংথোক্লদবসু য়াওই। অইবা সরত সলামগী ওইনদি অকনবা নুমিৎতা অফবা থবক তৌগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাংথোকখিবা ওইগনি খল্লি । মায়সু পাকখি খল্লি। হৌরকপদা ৱাঙাঙলোই অমগী নুংশিৎ অশাবা অমখক শিৎখি । সরত সলামগী লাইরিক ফোঙবসি নুংঙাই। মীৎয়েং অনী ঐগী ওইনা উবা ফংঙি । ৱাঙাংলোইশিংগী মনুংদগী অইবগী লাইরিক মশক তাকপদা লাইরিক্কী অশোয়বা ঙাক্তা তাকপীদুনা য়ুম শঙকাবা নুমিৎতা য়ুম শীবা লাকপা মানবসু থেংনখি। ৱাঙাঙলোইশিংগী অপাম্বনি। অইবনা অমদি মীয়াম্না তানিংদুনা ঙাইনরিবনা অফবা অথোৎপা ৱাহৈ ৱাঙাঙলোইনা তাকপীরম্বদুনি অদুবু অহানবা হৌবদা খজিক তায়োন্নখি। তানিংবা ঈশৈগী ময়েক ওন্নবা শকলকপদা লেঙবীরকখিবশিং নিংশা ফুনবা য়াওখিবা মাল্লি। 'ষন হাতম্না অহানবা হৌগৎলকপা মচিনা অফং অফংবা লৈপল ৱাইখায়" হায়নবা অহল লমনশিংগী চিনবুংগী পাউরৌ নীংশিংলকই। য়েৎনা শাবা জগোয়না লৈতাই জগোয় কৌইদো, খোঙনা শাবা জগোয়না লৈনেৎ জগোয় কৌইদো । লৈনেৎ জগোয় শাদুনা নেৎখায়রকখিবা, হরাবনা মালেম লৈশেম্ববু থুগায়রকপদা সলাইরেন শিদবনা উরদুনা থেমজিনবীবগুম অহানবা য়েল্লকপা য়েন্সাং থুম খরদং কনখিবা মানবা অহানবা ৱাঙাঙলোই অমগী ৱাঙাঙ অদু অনীশুবা লাইরিক মশক তাকপীগদবা ওঝা অমনদি লৈতায় ৱাহৈনা নীংথিনা তাশিৎ খোমজিনবীদুনা মমাংগী অয়াকপা ৱাহৈশিং মন্থোকপীরম্মী। তাকপী তম্বীবা ঙম্বা অশেংবা ওঝা অমগী মতীক ময়াই লাইরিক ফোঙবা নুমিৎ অদুদা ওঝা অহল অদুনা ঙাঙবীরমখিবদু ফজখি । অশেঙবা শিন্তাকপা হায়বসি মীচম অমনা ওইবা য়াদে । অশানবা মীৎয়েং,পাঙ্গল থৌনা,হোৎনরক্ল বগী ইঙ্গিৎ পীবা ঙম্বা য়াওনা তাকপা চংঙি অদুগুম্বা মহাক অদু অশেংবা ফিদম্নফম শিন্তাকপনি হায়বসি সরত সলামগী লাইরিক ফোঙবা নুমিৎতা ওঝা অহল অদুনা তাকপীরম্বা অদুনা ময়েক শেঙহনখি।

শৈরেং অমগী নুংগী ৱা খঙনবা পাবসি ঐগী ওইনা য়াম্না লুনা থোকই। শৈরেংদা নুংঙাইবা ঙমদে। করি হায়রিবনো খনবদা লৌশিনবা ঙমদবা শৈরেং য়াম্না মমাংদা থেংনখি । শৈরেং লাইরিক পাদবসু কুইরে। সরত সলামগী শৈরেং অসিমদি পাদবা য়াদবা থৌদা অমদগী পাখি। মহাক্কী শৈরেং লাইরিক "সভেন্টিফোর হাফ" অনীরক্তি হঞ্জিন হঞ্জিন পাবা লোইখিবা খঙহৌদে । পানিংবা পোকহনখিবদি মিংথোন ওইরিবা "সভেন্টিফোর হাফ" (৭৪.৫০) হায়বা অসিদনি। ঐখোয়গী চিনবুংদা হায়নবা মশীং খরগী মতাংদা মথক্তসু পঞ্জখ্রে । সরত সলামগী "সভেন্টিফোর হাফ" অসিসু হায়নবা শোন্নবা চিনবুংগী মশীংশিংগী মনুংদগী অমনি । "সভেন্টিফোর হাফ" মিংথোনগা চান্নবা চাউখ্রবা ভারতবর্ষ ওইরিঙৈগী হৌখিবা ইতিহাসকী থৌদোক ৱারী লৈখি । হল্দিঘাটতা শোক্লখিবা মুগল নিংথৌরেল অকবর অমদি কন থৌরবা রনাপ্রতাপ অনীগী অকনবা লান্দা মীওই চা কয়া শিখিবগী ৱারী লৈরি । অশোক্লা পানবা মতমদা কলিঙ্গগী লান্দা শিখিবা ব্রহ্মণ,ক্ষেত্রিয়া মীওই লীশিং কয়াগী মঙক্তা শিরম্বা অপূনবা খোমজিনবা লুগুণ খক্তগী অরূম্বনা কেজি ৭৪.৫০ ওইখিবগী লীনখিবা ৱারী ঐখোয়না তাখ্রে। কনাগুম্বগী অরোনবা নৎত্রবা অরুবা চিথি, অমবু অতোপ্পদা পাহন্নীংদবা, মীনা হাংদোক্তুনা পারগদি শিখিবা মীওই কয়াগী ঙক্ত শিরম্বা লুগুণগী অরূম্বা মশীং ৭৪.৫০ অদুগা মান্নবা পাপ পুগদবনি হায়না খঙনখিবনা "সভেন্টিফোর হাফ"পু লুনা লৌনখিবনি। পাপ পুগদবা,অকী-তুজুংবা খঙনরিবা ৭৪.৫০ অসিবু করম্বা অপাম্বা অনীংবা অমগীদমক অইবনা মমিং লৌদুনা মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং ওইনা করম্না থোল্লিবনো ? মহাক্কী লাইরিক্কী মনুংদা য়াওরিবা শৈরেংশিং অসি মীঙোন্দা হায়দোকপা তমথোকপা য়াদবা ঙাক্তা ওইরজাৎলা ? পাপ পুরগা পুবা তারে পাদবদি য়াদ্রি খন্দুনা পাবা হৌখি । অইবনা হায়রি, "শৈরেং করিনো খঙলগা হৈরগা ইবদি নত্তে, মীগী লাইরিক পাবসু হৈতে, চৎনবী কাঙলোনসু খঙদে। খঙদ খঙদনা অসুম ইজবনি" হায়না ৱামাং য়ানবীরম্মী। মখা তারকপদা অতেনবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা পাওখোং ময়াম চনবা মানবা শৈরেং মথং মথং ইরম্মী ।

মরক্কী শৈরেং অমদা অইবনা অসুম্না ইরম্মী- "মুনীশিংনা লাই নীংলিবসে মবুক ফাথবা তম্বনি। তশেংবদি ফত্তবা তম্বনি অদুননি শাপ্পা মাঙ থারিবা ।" ( ১৭শুবা শৈরেং) শৈরেং অমা সিদা লোইরে। মতাং অসিদা ঐনা জপন্নিজ হাইকু হায়না খঙনবা শৈরেং অমা নীংশিংলকই -*nusubito no, yane ni kieyuku, yosamu kana...* a thief vanishes over the rooftops night chill! সরত সলামনদি মহাক ঙাওরে হায়না মীয়াম মাঙদা মশানা হায়জখি। ঙাওবা নত্তে ইনিংবগী লাই তোংবনি। মাইবীনা লাই তোংবগুম অইবনা লাই তোংদ্রগদি ইবা ঙমদে, ৱাহৈ থোক্তে । ৱাফমসি লমদমসিগী মশক নাইখিবা লময়ানবা অইবশিংনা হায়খ্রবা ৱাফম্নি। সরত সলামনা ইরিবা শৈরেংশিং ঐঙোন্দা শক্তম (পিকচর ) অমমম থৌদোক অমমগুম মিৎমাংদা উরকই। অপাবদা করিগুম্বা অমা ফাওহনবা ঙল্লিবা খুৎই অসি লাই তোংদনা ওইথোক্লোই । মহাক্কী শৈরেং মখা তারকপদা অমগা ইরি- "নুমিৎনা শক্তি হেল্লবসু, থানা মগুণ হেল্লি, থা অমা ফানবা হোৎনবদা নুমিৎনা কুম্ভারক চৎলি।" ( ৪৮শুবা শৈরেং) শৈরেং অমা মতাংসিদা অমুক লোইরে । মথংগী অতেনবা শৈরেং অমদা মহাক্কী ৱাখল হোংলকই অসুম্না হায়রি- "ইকায়বা অমত্তং লাকপদা নোংশাসু শজি হুন্দেকলল্লগা চৎখি, ইকায়বা খঙদবদি মীনি।" ( ৬৩শুবা শৈরেং) জপন্নিজ হাইকু শৈরেং অমদা- "নুংথংনা খুৎ চুমদনা থারকপদা য়োৎপীনা ৱারদুনা মঙক নোন্থে" হায়বা শৈরেং অমা নীংশিংলকই- uchisokoneta kugi ga kubi o mageta....the misstruck nail bent its neck. সরত সলামনা মাগী শৈরেং মচা অমদা অসুম্না অমুক ইরম্মী- "লোন্না হুরানখিবদি থিরগা ফংগনি। ফোংনা হুরানখিবদুদি থিবা ফংলোই।" ( ৮৮শুবা শৈরেং) শৈরেং অমা লোইরে । কয়াদা চুল্লিবা ৱাফমশিংনো ।

অসিগুম্বা পাবদা নুংঙাইবা, কয়া য়াওবা অতেনবা শৈরেং মরিফুতরা মাথোই (৯১)না মহাক্কী শৈরেং লইরিক "সভেন্টিফোর হাফ" (৭৪.৫০) কৌবা অসিদা তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকলম্মী। মহাক্লা তেন্না ইরিবা, ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা শাংলবা ৱাখল খন্নিংঙাই ওইবা ৱাহং কয়া হংবগুম তৌরি । করিগুম্বদা লাইফাও অমগুম্না হায়দোকপসু থেংনৈ । মহাক্কী পূক্লিংগী ৱারোল শৈরেংশিং অসি করম্বা মখলগী শৈরেংগী কাংলুপ্তা চলহনগদৌরিবনো অখঙ অহৈ,শিন্তাকপশিংনা মাইকৈ তাকপীরসনু । ঐনা ফাওজখিবা অমদি খঙজনিংখিবদি অইবনা অসিগুম্বা মখলগী শৈরেংসি করিগী ইরিবনো অমদি ইনিংলিবনো ? সোনেটসু নত্তে, হাইকুসু নত্তে। শৈরেংদি শৈরেং অমনি । সাহিত্য অকাদেমী নই দিল্লিনা কুমশীং ২০১৩ অদুৱাইদা কন্না নৈনখিবা অমা লৈখি- Why should I write ? ৱাহংসি ফজবা অমনি। ৱাফম অসিদা মশক নাইবা অইবা কয়াগী শাংলবা ৱারোল কয়া থম্নখ্রে । অইবা মশানা মশাদা হংজগদব্রা ৱাহংসি ঐনা অমুক হংখিবনি। অইবনা ইরিবসি মশাগী ৱাহৈ, অনীংবা ফোংদোকপা ওইরবসু মীয়ামগী ওইবা তাই । সরত সলাম অইব অসিনা পূক্লিং ইথিলনা খাঙবা ঙমলক্তবদগী অতেনবা শৈরেংনা মীয়ামদা ৱাফম খর থমলকপনি। মাগীদি অনীংবা হায়খ্রে, ফোংদোকখ্রে । মানা হায়রিবসি করিনো, কনাদনো, করি হায়নিংলিবনো থিবা খনবসিনা অপাবশিংগী ওইবা তাই। লুরিবদি মীঙোন্দা হায়দোকপদা, মরাল অমা লংজগদবা,পাপ পুগদবা লংজরুবা ৱাফম ওইগদব্রা হায়বসিমদি "সভেন্টিফোর হাফ" মিংথোল অসিনা ৱাখল খলহল্লি । মাগী শৈরেংগী মরমদা খরা হেন্না নৈনবা অমা চংলি । অখঙবশিংনা নৈনরগা তাবদা নুংঙাইগনি । নৈনবা মতমদসু পীরিবা ময়েক্তা ঈশৈ শৈপানবা চুমগনি । ময়েক্লা চান্নদবা ঈশৈগী শৈহেকতা শৈপাল্লগদি ৱাহন্থোক লানখিগনি। শৈপানবা অহৈবনা নৈনহনসি । মাইবীনা লাইপাউ চেনবদি মীপূম খুদিংমক্লা লাইপাউগী ৱাহন্থোক লৌশিনবা হৈতে। মাইবা মাইবী পেনা অশৈবদা হংলগা মখোয়না ফাওখিবা লাইপাউগী ৱাহন্থোক হান্দোকপীবা, তাকপীবগুম অশেংবা অহৈবা নৈনমীনা নৈনরগা সরত সলামগী লাইরিক হেন্না মশক থোকলক্কনি। ঙাইবা তারি ।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৭১

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

মদুগী মতুংদা নাকল অমরোমদা লোকেলগী য়ু য়োনবা দুকান অমা লৈরম্মী, মফম অদুদসু মফম অসিদা খৎনরিবা অদুগুম্না খৎনবা অমা থোকই মরমদি সিফাইশিং অদু মায়কৈ অদোমরোমদা চেনখিরম্মী। তিল্লম্বা মীওইশিং চৎনখ্রে।

ইখঙ খঙহৌদনা রঙ্গনাথনা খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "হুরানবশিং অদু ঐগী নাক্তা লৈ হায়বদি ঐদি খঙবা নত্তে। জাৎ-জাৎকী মীশিংনি?"

রুপ্পন বাবুনা য়াম্না ঙক্লা মঙোন্দা য়েংই। অদুগা হায়, "কনাদনো নঙনা হায়রিদুবু? দুকান মপু অদুদরা? মখোয়দি হেক পোল্লকপদগী হুরানবা ওইরল্লবনি।"

রঙ্গনাথকী মায়থোং ঙান্থোরকই। মহাক্লা দুকান মপু অদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা লেপখ্রে। মহাক্কী ফুরিৎখাউদগী লুপা মঙা চৎপী অমা পুথোরক্তুনা দুকান মপু অদুদা পীরদুনা হায়, "মী অহুমনা চাখিবা অচাপোৎশিং অদুগী পৈশা মসিদগী ককহৌরো। থোকখিবা থৌদোকশিং অদু কাউখ্রো।"

ৱাফম অদু হায়রদুনা মহাক্কী নোকফেৎ তৌবা মায়থোং অদু মহাক্কী লাকমিন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মায়কৈরোমদা ওনশিল্লকই। রুপ্পন বাবুনা মচিন পৈথোরকই। মদুগী ৱাহন্থোক্তি অপঙবা থৌওং অদু ঙসি খক্তদা লোয়না উৎথোক্লবা হোৎনরে হায়বনি। পিক্তু শাফবনা তপ্না হায়, "মহাকসু মশাগী অৱাংবা ৱাখল পুথোকচসনু। লাইরিক হৈবা মীওইনি। এম এ পাস? কনানা মাগা ঙাঙনগদৌরিবনো?"

ৱাফম অদু হায়রদুনা মহাক অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা য়েংখি, মওং অদু থোকখিবা থৌদোক অদুগা করি অমত্তা মরী লৈনদবা মাল্লি। থৌদোক অদু এম এ পাস তৌবা মীওই অমনা অপঙবা মীওই অমদা উৎথোকখিবগী থৌওংনি।

অদুবু রুপ্পন বাবুনা মঙোন্দা চৈরদুনা হায়রকই, "ৱারেপ লৌখ্রে রঙ্গনাথ দাদা! হৌজিক নঙনা ঙাঙবগী করি অমত্তা মথৌ তাদ্রে। ঙাঙগদবা-তৌগদবা লৈরবদি ঙসাই পুলিসকী মমাংদা তৌবা য়াদ্রা, মতম অদুদা ঙাঙলম্লবদি কান্নগদবা।"

রঙ্গনাথনা দুকান মপু অদুগী মাংদা পৈশা অদু লংথোক্লম্মী। ৱাফমশিং অদু তাশিন্নদনা মহাক্লা দুকান মপু অদুদা হায়, "য়াম্না থুনা পৈশা হন্দোরকউ।"

মীয়াম অমুক তিনবা হৌরকই। দুকান মপু অদুনা মায়কৈ মরিদা য়েংলদুনা পৈশা খুনগৎলদুনা অরেম্বা পৈশা অদু হন্দোরক্তুনা হায়, "নখোয়দি মপান্দগী লাকপনি বাবুজি, ঐহাক্তি মফম অসিদা লৈহৌগদৌরিবনি।"

কাংলুপ অমদগী কাংলুপ অহুম থোক্লা খায়দোকখ্রে। জোগনাথ য়ু য়োনবা দুকান তম্না চৎখ্রে, সনিচর অমসুং পিক্তু শাফবা মেলা অদুগী অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা; মফম অদুদা খঙন-চানবা মীওই মরী-মঙা গঞ্জা য়াওবা শঙ্গোম শেমদুনা লৈরম্মী। রঙ্গনাথ অমসুং রুপ্পন বাবুসু হল্লক্লম্মী।

রঙ্গনাথ সীরিয়স খরা ওইখ্রে। ৱাসু ৱারে। গুহা অমগী মনাক্তা মশা শোকথরদুনা ফমখ্রে। রুপ্পন বাবুসু মফম অদুদা লেপ্পদুনা থাপ্না খৎন-চৈনবা মচা-মচা থোক্লিবশিং অদু য়েংদুনা লৈ।

গুহা অদুগী মনাক্তগী খরা লাপ্তুক্লা তেক-কায়রবা য়ুম অমা লৈরম্মী। মফম অদুগী উখোং অমগী ময়াদা নুপী অমা ফমদুনা লৈরম্মী - কুলৈ কুচুগী নহা ওইরিবি নুপীনি। সাড়ি অমসু শেৎলি। নাতোনদা সনাগী নাসিকা। মেলা অদুগী মোৎলবা ফীভম অদুদগী হৌজিক মহাক্লা উরিবা ফীভম অদুনা হেন্না নুংঙাইবা ওইরকই। মহাক মায়কৈ অদোমদা অদুমক য়েংদুনা লৈরে।

অমোৎপা লুঙ্গি অমসুং মশেক মঙান থোকপা শেংদবা সিল্ককী ফুরিৎ লিৎপা নুপা অমা নুপী অদুনা লৈরিবা মফম অদুদগী খজিক লাপ্না বিড়ি থক্তুনা লৈরম্মী। মনা অমদনা শুনুগী মতুম অমা, মশম অদুনা থাও তাবমখৈ তৈবা উই। তপ্না-তপ্না মহাক নুপী অদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা লেপখ্রে। অদুগা নুপী অদুগী মনাক্তগী খজিক লাপ্না ফম্মী। নুপা অদুনা করিগুম্বা ৱাফম খরা হায়বদা নুপী অদু মোমোন নোকই। থৌওং অদু উবদা রঙ্গনাথসু নুংঙাইবা অমা ফাওরকই। মহাক্লা নুপী অদুগী মায়কৈরোমদা অদুমক য়েংবা পাল্লম্মী। নুপী অদুনা মহাক্কী মায়কৈরোমদসু য়েংলকই। মহাকসু পাল্লম্মী মদুদি মমাংদা মোমোন নোকখিবদৌনা মহাক্কী মায়কৈরোমদা য়েংলক্তুনা মোমোন নোল্লকপা। অমুক হন্না মোমোন নোল্লকই। মশমদা থাও তাবমখৈ তৈবা নুপা অদুনা অমুক হন্না বিড়ি চমখৎলকই।

রঙ্গনাথকী মনাক্তা নুপা অমা লাল্লকদুনা লেপলৈ। ফৈজোম অমদি কুরটা শেৎলি অমসুং টুপি অমসু উপ্পি। খুঙ্গংগী ওইনা য়েংলুরবদি মীওই অদু খরা খজিক গ্যান তাবা থবক তৌবা মীওই মাল্লি। রঙ্গনাথনা নুপা অদুগী মায়কৈদা হায়ফেৎ য়েংলম্মী অদুগা অমুক হন্না মমাংদা য়েংখি। নুপী অদুনা মোমোন নোল্লম্বা অদু লেপখ্রে। নুপী অদুগী মায়থোংদা মীনুংশিগী শকফম অমা হায়ফেৎ-হায়ফেৎ য়াওবা উরকই। মতৌ অদু হিন্দি সিনেমাদা গজলগী ঈশৈ শকপা মতমদা হিরোইনগী মায়থোংদা তাবা শকফমগুম্না তোই।

নুপা অদুনা তপ্লক্লা হংলকই, "অদোম মফম অসিদা লৈবা মীওইরা?"

রঙ্গনাথনা মকোক নোল্লদুনা হায়, "নত্তে।"

নুপা অদু চিংনবা অমত্তা লৈতনা রঙ্গনাথকী মনাক্তা ফমথরকই। অদুগা হায়রকই, "মফম অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংগী মীওইশিং করিগুম্বা অমত্তা খঙবা নত্তে - সিনেমাগী ঈশৈ অদু তাহল্লু! আ... ঈশৈ অদু তাহল্লু!"

রঙ্গনাথনা মহাক্কী ৱাফম অদু থৱায় য়াওনা তারম্মী, অদুবু মহাক্লা করিগুম্বা অমত্তা খঙবা ঙল্লমদে। নুপা অদু মথং-মথং ঙাঙদুনা লৈ, "মখোয়দগী ঈশৈগী তোঙানবা শৈহক তাবিয়ু, দাদরা নৎত্রগা থুমরি।... থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা তৌরক্কনি।"

পুক্লিং নুংশিরক্লদুনা মীওই অদু মঙলান অমদা তাউখিদুনা হায়রকই "রোহপুর চৎলুবনি। হৌজিক অমুক বৈজেগাউ চৎকদৌরিবনি।"

সিটিদা লৈরিঙৈদা অসিগুম্না রবিসঙ্করগী মতাংদা ঈশৈগী থৌরম অমগী মতাংদা তাখি। এনাউন্সরনা হায়খি, "এদিনবরদগী হৌজিক-হৌজিক হল্লকপদা ঙাইরি, হৌজিক্লা অমুক ন্যুয়োর্ক চৎকদৌরিবনি।"

মহাক্লা মকোক নোল্লদুনা ৱাফম অদুদা য়ানিংবা ফোঙদোকখি। মহাক ৱাফম অমগী ওইরবসু অদুগুম্লবা মতৌ অদুনা পাউখুম ওইনা ফংলম্মী।

মীওই অদুনা ঙাইহাক লৈরগা হায়রকই, "কোয়না চৎপা মীওইশিংগী মহৈ নত্তে মসি। মীফমদা লাকপীয়ু, ফমদুনা তাবিয়ু; মতম অদুদা অশেংবা করিনো অমদি শেংদবনা করিনো খঙবা ঙমগনি।"

- মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা